ৱারী ককনাউ

# লোইরেদনা সিদি

**—নরেন্দ্র নিঙোম্বা—**

***বেমবেমগী*** হন্দক এন্ড্রোইদ মোবাইল ফোন অমা লৈরে। হেক লৈবগা ফেসবুক একাউন্ট অমা থোক হাংই। অশেংবা মমিং থোনদে। লিক্লা হায়না থোল্লি। কোরিয়াগী এক্ট্রেস ফজবী অমগী ফোটো অমা প্রোফাইদা হাপচিল্লি। ফোটোদুনরা কৈনো ফ্রেন্দ রিক্বেস কোকথোং অমা লাকই। বেমবেমনা খন খনদনা এক্সেপ্ট তৌই। হৌজিক বেমবেমগী ফেসবুক ফ্রেন্দস লিশীং অমগা চাম্মা কুন্থ্রানিথোই শুরে। য়াম্মী। মরুপ ঙাক্তনি। ৱারীসিনা লোইরে, কনাগী শুনবা হেক শানরে। মরুপ য়াম্বগাইসিসু নুংঙাইবজাৎনি জাৎ জাৎকী মরুপ অদুম থোরকই।

থোইনাও হন্দক্তা গ্রেজুয়েসনগী অহানবা সেমেষ্টরদা দি এম কোলেজদা তল্লিবনি। মচননুপীনা হন্দক ফোন্দা ঙাওখৎলকপদা মানা থিনা থিনা চৈ। ফোন য়াম পামগনু মাঙজনি হায়দনা, নোংমসু ফোন মুনগে তৌবদা মচননুপীনা কপ্পগা লাউবগা তৌবদগী অমুক পীথোকখিবনি। মীঙোন্দা চৈ হায়বৈ ৱানি থোইনাওসু ফেসবুক বোইনি। অনৌবা মরুপ থিরকপদা লিক্লাগী (বেমবেম) ফেক একাউন্টতা লিক্লাগী ফোটোদু উরুবদগী মরুপ শাননীংদুনা রিক্বেস তৌরুবদা বেমবেমনা এক্সেপ্ট তৌরকপদগী ফ্রেন্দ ওইনরে। চন্না ৱারী শান্নরম্বদগী ইনবোক্সতা ৱারী হৌরে। ৱারীসি লোইরে। রোমান্সতা আ য়ৌরে। মশক খঙনদ্রসু, ৱারীদি লোইনরে। থোইনাওনা লিক্লা (বেমবেম) বু নুংশিবসিদি মালেমসিদা কনামতনা য়ৌবা ঙম্লরোই। শাথিনা নুংশি । নুংদাংগী জাৎসি নোংঙাল্লমদাই ফাওবা, মোবাইলগী বেত্রি লোইদ্রিফাওবা হেক ৱারী শাবিনি। শুংথা হেক থাদোক্লদে। লিক্লাগীসু অদু ঙাই। মানা হেক ঙম্মীখৈ চাট তৌনৈ। ঙাইহাক্তং উনহৌদবদা লৈবা ঙম্নদবীগী থাক্তুনি।

ঙসি লিক্লা হোৎইগী উতি থোংই। মবুংসু উতি চারগা কোলেজ চৎখি। লিক্লাসু চাকচা তোল্লগা ফমুংদা চঙলগা মোবাইল মেৎলি। থোইনাওগী ইনবোক্স ওনলাইন লৈরম্মী।

"চাক চারবো? কৈ এঞ্জাংনো?"

"উতি থোংই, মঙ্গল উতি, য়াম য়াওই, নোইদি"

"হা হা হা! ঐখোয়সু উতি থোংই, চপ মান্নরে"

"কনানা থোংইনো, ইনম্মনরো"

"নৎতেহে, ইচননুপীনা থোংবনি"

"ও… করি লৈগে"

"কোলেজ ক্লাস লৈথোক্লগা কেন্টিন্দা মোবাইল মেৎলি"

"হা হা হা! ঐসু ফমুংদা হিপ্পগা মেৎলি"

"অদুদি ৱা অমা হায়গেনা"

"হায়ু কৈনো"

"য়াগদরো"

"য়ানি কৈনো হায়রকও"

"ঙসিদি উনসিদনা"

"কায়দা?"

"নোংইন রেষ্টুরেন্টতা"

"পুং কয়াদা"

"পুং ১ দা শোয়নদবী"

"হোই"

পুং ১ তারে। বেমবেম রেষ্টুরেন্ট মমাঙদা লেপ্তুনা লৈ। ফেসবুক লভর ঙাইরি। অরাকপা মী খুদিংমক মুন্না মুন্না য়েংই। নোকফেৎ অমুক তৌই। ওইরম্বা য়াই খন্দুনা, হেক ওইরমদে। শকখঙদবা অমা উনবা হায়সি ফরক্তি ফজনা তাজাৎনি খল্লি। থোইনাও রেষ্টুরেন্ট তম্না মাগী এক্টিভাদু গ্রোং থৌজিল্লকই। বেমবেমনা মবুং লাকপা উবদা নুংশা থিনা মমাই লৈথোকই। থোইনাও মচননুপীনা লেপ্লিবদুগী মনাক্তা লেপ্লগা লিক্লা ঙাইরি। মাদি মচননুপীনা লেপলিবদু উদে। বেমবেম তাঞ্জা য়েংলগা মমাইদু লৈথোক লৈথোক্তুনা সোরোক তম্না থোক্লবা কন্না হোৎনরি। মমৈদা থোইনাওনা উরকই। হাইফেৎ উহৌবদা মচননুপী মাল্লি।

"বেমবেম…"

বেমবেম শ্বাই লাউই চপ লেপ্পী। থোইনাও চঙশিল্লক্লগা শাওনা হংই।

"নঙ সিদা কৈদৌরম্মিনো হা, কনা ঙাইরিনো?"

"তাচৌদি কৈদৌ লাকইনো"

থোইনাওনা মচনগী মোবাইল ফোন মখূৎতা পায়রিদু শৎ মুল্লগা য়েংই। ফেসবুক ইনবোক্স হাংদুনা লৈরম্মী। উরে, মানা থাখিবা মেসেজশিং লোইনা লৈরম্মী। মাসু শ্বাই লাউই। খঙই, লিক্লা হায়রিবসি মচননুপী বেমবেমনি। খল্লি লোইরেদনা সিদি।

"নঙ ঙাইরিবা মীদো লাক্লরোই, চৎলু য়ূমদা, লাউ গাড়ী কাখৎলকও।"

বেমবেম তন্না তন্না কিনা মবুংগী গাড়ী মনিংদা কাখৎখি। থোইনাওনা মশাদু হৈনিংদনা এক্টিভা থৌরগা চৎখি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৯

**১। অরিবা মৈতৈলোনগী ৱাহে অনীসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু।**
**(ক) ফম্মোইমিৎ (খ) ময়েল্লু।**
**২। "অপুন্বা পেঙবা অমনা/…লুকমাই অমগী মথক্তা/মঙ মঙলি।" কবি কনানা হায়বনো?**
**৩। 'মনি মমৌগী বিচার' কৌবা ৱারীমচা অসিগী অইবীদু কনানো?**
**৪। "Manipur Trilogy" হায়না ইংরাজিদা লাইরিক ওইনা হন্দোকপা অইবদু কনানো?**
**৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো?☞**



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৪, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৮ গী পাউখুম মঙামক চুম্না থাবিরকখিবশিংদি**

| | | |
|---|---|---|
| ১। | *চিরোম সুরজিৎ সিংহ, ময়াং ইম্ফাল বজার* | (৫) |
| ২। | কে মেমী দেবী, ময়াং ইম্ফাল বজার | (৫) |

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ২৮ গী ৱিন্নর**

*চিরোম সুরজিৎ সিংহ, ময়াং ইম্ফাল বজার*


দ্রো ওৎপদা মরাইবক ফবা ওইখ্রবা

**খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

নবেম্বর ০৬, নোংমাইজিং নুমিৎগী নুংথিল পুং ৪:০০;
হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৮ গী পাউখুম

**১। পীরিবা অরিবা মৈতৈলোনগী ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ-**
**(ক) পায়োৎ ঃ- থুমুক (খ) পাহাংনোংজা ঃ - পাখ্রা**
**২। "ইরকই খুঙ্গংগী চিঠি/কনা হন্না য়েংবীদ্রবা তোর্বানশিংদা/উপালশিংনা ঙাইদুনা লৈ উচেকশিং।" কবি কনানা হায়বনো? ঃ- রঘু লৈশাংথেম**
**৩। 'কংলবা চেংহী ময়াল' ৱারীমচাগী লাইরিকসিগী অইবীদু কনানো?**
**ঃ- য়েংখোম ইন্দিরা**
**৪। 'মাধবী' বু বেঙ্গলীদা হন্দোকখিবী নুপী অইবীদু কনানো?**
**ঃ- শ্যামলি দেবী**
**৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো?☞**
**ঃ- শঞ্জেনবম নদিয়াচান্দ**



লমকোয় ৱারী

# পুন্সিগী খোঙচৎশিং নীংশিংলকপা

*(হান্নগী মখা চৎখজরকপা…)*

**ড্রেগোন শো উরুবদা**

শো লৈতবা নুমিৎ অমদা লৈনুংগী মেট্রো ট্রেন তোংদুনা Oxford Street লোমদা ঐখোয় খর কোয়থোকলুই। Royal Albert Hall য়ৌরকখি । ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী প্লেবেক সিঙ্গর লতা মঙ্গিস্করনা কনর্সট তৌখিবা মফমনি। চঙলগা য়েংসি হায়দুনা Royal Albert Hall কমপ্লেক্সতা



ROYAL_ALBERT_HALL,_LONDON

চঙলুবদা ছুটি ওইরমদুনা মনূং চঙদনা হল্লকখি। ড্রেগোন হায়বা য়েংফম অমা থেংনদুনা চঙলকই। মী অমগী অয়েংমল টিকেট অমদা ডোল্লর অমা মখায় লৌই। ড্রেগোন হায়রিবা অসি য়ূম মনুংদা চঙলগা য়েংননবা শেন্বা মফম অমনি। সিনেমা নত্তে। লিভিং ম্যুজিয়ম অমগুম্বনি। লাইট অমদি সাউন্দ অনীনা মরুওইনা শেন্বা অকীবা অঙকপা পোকহনবা থৌদোক ঙাক্তনি। কা ময়াম অমা মনুংদা লৈরি। কা অমা চঙখিবদা মথং-মথং কাশিংদা লৈবা অঙকপা পোৎশিং, থেংনরক্কদবা মওংদা শেন্বনি। লোইনমক শুনবা য়েংবা ঙম্লবদি "ড্রেগোন" হায়না থাবা, ড্রেগোন য়েকপা T-Shirt অমা লেম্না ফংগদবনি। ড্রেগোন অসি য়েংনিংঙি হায়দুনা হেক্তা য়েংবা য়াদে। টিকেট ককফম কাউন্টর মনাক্তা ডাক্তর অমা ফমদুনা লৈরি। য়েংগদৌরিবা মীগী মশাগী অনাবা লৈবা, কিগনবা, পাখৎকনবা মীদি য়েংবা য়াহন্দে। ডাক্তর অসিনা হান্না লোইনমক মীদুগী ৱারী-ৱাখোং হংদোকই। ফার্ষ্ট এদ পীনবা থৌরাংসু তৌদুনা থম্মী। নুপী অমগা নুপা অমগা থোকখিবা উই। নুপীদু কপ্পগা থোকখি মাগী নুপা অদুনা থেল্লগা পুথোকখি।

য়েংলসি ঙাঙনদুনা সোমোনবী ইবানিসু টিকেট ককই। হেক ককপগা অদুম য়েংবা চঙলুই। অহানবা কা অদুমদি করিসু খন্দনা চঙবা হৌখি। মথংদি ইমম-মম্বা কা অমা থেংনখি। কা অদুদা মৈ অমা খঙথান থাল্লকখি,থংনবা কা অমগী থোং মথন্তা হাংলকই। কা অদুদা চঙলুবদা অচৌবা খাং অমদা ঈশিং শৌহল্লগা, মী অমা অশৌবা ঈশিংদা নমশিন্দুনা লৈরম্মী। নুপা অদুনা শারদুনা লাওরি। খাংদগী কাখৎনবা হোৎনরি। মনাক্তা লেপ্তুনা লৈবা নুপা অমনা চৈ অমা পায়দুনা নুপাদুবু ঈশিং অশাবদুদা নমশিল্লি। য়েংবা চঙমিন্নরিবা ঐখোয় অনীদু করম হায়না লাপথোক্লখিবনো খঙহৌদে। মশক উন্নরক্তে। ঐনসু মাবু কৌই মানসু ঐবু কৌই। ঐখোয় অনীগী খোঞ্জেলদি লাপ্পা তানরকই। ৱাখলনরা খঙদে কা অদু শাহিং-ঙাহিংগী মনম নমলকই। শেকপী অচৌবা মানবা অমনা পাইথোকখিবা মখোন তাখি। মখা তানা য়েংবা হৈনরকত্রে। ইশানা ইশাবু থাজরক্তে। য়াম্না থুনা মপান থোক্লিংদুনা হন্দোকলকখি। মপান থোকলকপা মতমদা অতোপ্পা মাইকৈ অমদা থোকলকখি।

মপান্দা সোমোনবীনা ঐবু ঙাইরমখি। মাদি থোকলকপা ঙাইহাক ওইরে হায়রকই। ইবানিনা পূন্না কা মনুংদা উমিন্নরমবসি ঈশিং অশাবা খাংদা মী অমা নমশিনবা ফাওবনি। মখাদি অমত্তা মান্নদ্রে। অমম্বা কা অমদা চংলকপা, নাম্বুদুনা মফম অমদা তারকপা, ওন্থোকপা মতৌ কয়ানি। হৌজিক্তী মপান্দা থোকলক্তুনা লৈরে। ঐখোয় অনী ঙাইহাক ৱা তান্নে, ঐখোয়দা ফাওখিবা অকীবশিংগী ৱারী তম্নে। অমুক হন্না টিকেট কল্লগা চঙদুনা য়েংশি হায়নৈ। ঙসাইগী মতাং অদুফাওবদি খঙলবনিনা চঙবা ঙম্লনি খন্নদুনা অমুক টিকেট কল্লগা চঙখি । হন্দক্না অমুক ঙসাইগীদুগা মান্নদবা মওং অমা অমুক থেংনবা হৌই।

অপীকপা কা অমদা চঙলুই। থোঙদু মী অমদগী হেন্না চঙবা য়াদে। সোমোনবীনা হান্না চঙখিবনি। ঐনা অমুক চঙলুবদা মাদি লৈরমদ্রে। মানা করি থেংনবনো খঙদে ঐদি লৈবাক মখাদা নুপী অমগী মকোক অমখক তাদুনা লৈবা উরকই। কেল্লবা কোক অদুনা ৱা ঙাঙলকই। য়ূম মনুংদু শুরুং ওইনসু তৌই। খরা খরা নীংখায়বসু হৌরকই। ইশাসি কা অদুদা স্বর ফুনগৎলকখি। ঐনা সোমোনবীবু কৌখি। মহাক খুমলকখিদে। মখা হেন্না চঙনিংবা ফাওখিদে অদুবু য়েংলগে হায়দুনা থংনবা কা অমা ফাওবদি চঙলুবদা শুরুং অমা ওইরমখি। মী মকোক (হিউমেন স্কলশিং) য়াম্না লৈহৌবগুম উখি । মুৎশি-মুৎশিবা মঙাল অমা উরকখি । মঙালদু তম্না চঙশিনবদা করি অমুক থেংনগদগে খনবদা চঙবা হঙ্গৈইরে। মখা তানা চঙলুদ্রে, অমুক হন্দুনা থোকলকই। হন্দক্তি মপান থোকপা ঐনা হাল্লে। ফনা কুইনা সোমোনবী মপান থোকলকখিদে। ঐ অমুক নুংনাংবা হেনগৎলকই। ঐখোয় অনী নত্তনা মী অতৈ কনাসু উখিদে। মখোয়না নমথাক তৌদুনা ঐখোয়বু ব্লেক মেল শান্নরব্রা ? ফত্ত-নুংদা থোক্লবদি কমদৌগনি ? হয়েংদি শোসু লৈ । কমদৌসিগে খনখি। চঙশিন্দুনা ইনক্বারী ডেক্সতা পাউ পীরুই। মখোয়না করিসু থৌশাখিদে। ঐবু ঙাইখো হায়না থেমলকই। ঙাইহাক লৈরগা সোমোনবী নাকল অমদগী লাকই । নুপা অমসু মনুংদা কিনা য়েংলম্মী, মখোয় অনী থোকমিন্নরকপনি হায়না তম্মী। মহাক মকোক ঙাওরে য়েংবা ঙমদে চৎলসি হায়না হনমিন্নরকই। ৱারীসি ইবানিনা হল্লক্লগা ময়ামদা তম্মী । ময়াম্না ঙক্লা তাখি। নোংমা পূন্না য়েংসি হায়নৈ। ইবানিদি য়াওজররোই হায়বদগী ময়ামসু অদুম চৎখিদ্রে ।

নুমিদাংগী মতমদা লণ্ডনগী লম্বী লমজাওশিং মৈনা পুংঙান ঙাল্লি। অয়ুক নুংথিলগা থোইনা খেন্নববু লৈত্রে। নুমিদাং অসিমদি অয়াম্বা মতমদা ঐখোয়দি পর্ফোমেন্স লৈবনা চৎথোক্লবগী মতম ফংলকখিদে । পর্ফোমেন্স লোইরগা খোঙনা চৎসি হায়দুনা হল্লকপা করিগুম্বদা য়াওখি। মতম অদুদা ফুট পাথ মথক্তা নুপা-নুপী, পূংবা-পূংবা, লেং কোন্নদুনা চৎমিন্নবা, মমায়-মমায় ওনশিন্নদুনা ৱারী শান্নদুনা লৈবা কয়া উরকই। পুলিসশিং মচি-মচিদা লেপ্তুনা লৈ। পুলিসশিং মশক মতৌ লোয়না ফজৈ, মখুত্তা নোংমৈ পায়দে। চৈ অতেনবা "L" সেপ হায়রপ মানবা অতেনবা অমা পায়নৈ। Dog squad সু য়াম্না লেপ্তুনা লৈ। ৱাং-চাউবা নুপী পুলিসসু নুমিদাংদা দ্যুটি তৌবা থেংনৈ। লম্বীগী মতাইদা পেয়িং সোপ মচা মচা য়াম্না লৈরম্মী। মতম অমা মণিপুরগী মফম খুদিংদা লম্বীগী মতাইদা থাংদোক্তুনা ফম্নরম্বা উপুগী পান দুকান নীংশিংলকই। পেয়িং সোপশিং অসিদা ডোল্লর থাদরগা অপাম্বা সুপ, জুইস, বিয়ার, কোফি থকপা ফংঙি। মনুং চঙলগনা বরগর, কেক, রোল মিট লৈরগা চাবা ফংঙি। চানিংবা অমা হেক্তা মপানবু থোকলক্লবদি চাবা ফংঙি। মসিগী হায়রবদি লণ্ডন নুংঙাইবা মফম অমনি। পৈশা পায়দ্রবসু শিগদবা মান্দে। শাংলবা নুমিৎ কুননীরোম অসি মখল কয়াগী,মচু কয়াগী থৌদোক, থবক থৌরম কয়া শরুক য়ারকই। লণ্ডনগী River Side Studio, Bloosbury Theatre,Place Theatre পর্ফোমেন্সশিং উৎলম্লগা Southampton দা লাক্তুনা Mayflower Theatre দা নোংমখক শরুক য়াখি । নোংঙানবগা Cardiff, Bradford কীদমক ঐখোয় খোঙশাল্লকখি।

**ব্রেডর্ফোদতা থুংলবা**

হায়ৱেগী পাক-চাউরবা লম্বীদা, ৱাং-চাউরবা টুরিষ্ট বস অদুনা ঐখোয় ২৬ পু ব্রেডর্ফোদ তম্না পুরী। বসতু য়াংনা থৌই। অদুক শাংনা লাকপা লম্বীদু অথেকপা চিথেক অমা ফাওবা থেংনরকখিদে। লম্বীগী মতাই অমদা থৌজিন্দুনা খাম্মী। হাইৱেশিংগী মতাইদা খর হেন্না পাকপা অনানবা মফম অমা হেক-হেক থেংনৈ। মসি লমশাং লাকপা বস কারশিংগী খামফম ওই। অসিগুম্বা মফমসিদা নত্রবদি লম্বীদা খাম্বা য়াদে। মফমসিবু ঐখোয়না "অৱা-অৱা" লৌফম হায়না খঙনৈ । ঐখোয়না থোনজবনি। হৌজিক "অৱা-অৱা" মফমদা বস খাল্লে। ময়াম কুমথনৈ । য়েংথোকখিবদা পুক্লিং হুরবা মফম ঙাক্তনি। মোরে লম্বী চৎপদা তেংনৌপলগী চেক-পোষ্টা বসতগী কুমথরগা খোংনা মতেক অমা চৎহনবা মফমদু হায়রপসু মানগুম তৌই । মফম অসিদা পুংখায় অমরোম খামগনি। মোবাইল কেফেটেরিয়া ভান লম্বীদা লাকই। মোবাইল ভানদু খাল্লগা ঐখোয়গী ব্রেক ফাস্ট লৌহৌনবা থৌরাং তৌই। মাগী-মাগী শরুক লৌনদুনা ঐখোয় লম্বীদা ঙাইহাক পোৎথাখি। ঐখোয়দা নত্তে অতোপ্পা টুরিষ্টশিংসু ঐখোয়গুম্না মোবাইল কেফেটেরিয়া অদুদগী ব্রেক ফাষ্ট লৌদুনা চানখি।

লম্বী ফবনিনা য়াম্না থুনা ব্রেডফোর্দ য়ৌই। ব্রেডফোর্দ মমিং অসি Broad Ford তগী লাকখিবনি। য়াউ মউন শেমফম ফেক্টরি য়াম্না লৈবা, য়াউ মউনগী প্রডক্সনসু মরাঙ কায়বা মফম্নি । মফমসিবু wool capital of world হায়নসু মীঙ্গৌনৈ। গ্লাসগোদা থৌরাং তৌরম্বা লৈফম অদুগা থোইনা খেন্নদে, মফম অনী-অহুম থোক্না ঐখোয় লৈ। মীওই অনী-অনী খোঙবু শেম্নরগা রুমশিংদা লৈনৈ। হন্দক্কী লৈফম অসিমদি হোটেলদা নত্তে। মীগী য়ূমশিংদা লৈবনি। মহৌশানা সম্মর অসি টুরিষ্ট য়াম্না লাক্লবনিনা ব্রেডফোর্দ অসিসু টুরিষ্টকী অচৌবা মফম ওই। হোটেলশিং মমল য়াম্না তাঙবা ওইবনা মিদল ক্লাসকী মীওইশিংনা লৈবগী খুদোং চাবা ফংনদে। মরম অসিনা ব্রেডফোর্দকী কনাগুম্বা ফেমিলিশিংনা মখোয়না লৈরিবা য়ূমশিং শান্দোকপা য়াওনৈ। অসিগুম্বা য়ূম শান্দোকপা অসিদা নুমিৎ খরনিগী ৱায়দুনা ঐখোয়সু লৈরকই। ঐখোয়না লৈরিঙৈ মনুংদনা য়ূমগী মীওইশিং অসি অতোপ্পা মফমশিংদা লৈরুগনি। লৈবগী মওংদি মখোয়গী খুদোং চাবগী মতুংইন্ননি। অয়াম্বনা অহোঙবা পেয়িং হাউসশিংদা মখোয় লৈনৈ হায়। ঐখোয়না লৈগদবা য়ূমশিং অসি মমল তাঙনা শান্দোক্লগা মখোয়না অহোঙবা য়ূমদা মতম খর লৈরুবনি। নুমিৎ খরনিদা মখোয়সু ডোল্লর খর তালহৌবনি। মসি য়াম্না তোয়না চৎনহৌই। মশাগী লৈনবা য়ূম শাং দাক্তুনা শেল তানবগী মওংসি য়াম্না চৎনহৌই। য়ূমশিং অসি ঐখোয়না থিরগা ৱায়বা নত্তে মফমসু খঙলোই। ওর্গেনাইজরশিংনা ঐখোয়গীদমক থৌরাং তৌবীবনি নত্রগদি ফংবা ঙমলোই। ভেরিফিকেসন অমদি রিক্স য়াম্না চাওই। রেসিডেন্সিয়েল য়ূমশিং অদু থংননা লৈবসু নত্তে অদুনা ঐখোয় ময়াম লৈফম মান্নদে। য়ূম অমদনা মীওই মরী অমদনা অনী অসুম্না ফংবগী মতুংইন্না লৈবনি। সম্মর ওইরবসু য়াম্না ঈংঙি রুম হিটর থাদ্রবদি লৈবা ঙমদে। চৎথোকফমসু লৈতে। ঐখোয়গী প্রোগ্রাম অদুখক্তনি ঐখোয়না ঙাইরিবসি ।

*(মখা মথং নোংমাইজিংদা)*

***(লমকোয় ৱারী অসি মাখোনমনি মোংশাবনা ইবা চীংলোন অমদগী অমদা হায়বা লাইরিক্তগী লৌখৎচবনি)***

# 'ঈরাং লাইনীং'

**হাওবম প্রিয়োকুমার**
**কাঙবম লৈকায়, ইম্ফাল**

**ইবেচানা** মচানুপী অহল অশালাতাবু কৌর-কৌরগা মনীংলোমদগী থোক্লকই। ময়ায় কাদা টি ভি য়েংদুনা লৈরিবী মনাওনুপী মেমতোম্বীনা, "চেচেদি মথক্তা লাইরিক তৌরিবনি।" "উং, নচেসে কম্পিটিটিভ ইগজাম থানবগী লাইরিক তৌরিসিদা অমুক থুগাইবিদোইনিনে। নঙসু খরা খিৎ হেনমল্লবা হায়দুনি। কয়াম ৱাপোৎনো লাইগী ধুপ খরা থাবসিবু" হায়না মুরুম-মুরুম শোল্লগা মথক্তা কাখৎখি। লাইগীনিবু হায়রবদি মশুং মমান্নবা ফাওবা তুংওইনা থল্লিবী অশালতানি। লাইরিক তৌরম্বদগী ফূক হৌগৎলগা মখা কুমথখি।

লাই-তীলগী মতাংদা ইবেচানা অশালতাগীদমক য়াম্না চাউথোকচৈ। পূমপেন হেক পেনবা হায়বদু থোকই। লাইগী মরমদা মানা খঙদবা লৈতে। লাইগী থবক থোক্লকপদা ওন্থোক্লা পূক্লিং লুপশিন্না চেকশিন-খোয়জিন্না মচু তানসু তৌখ্রপোৎনি। অদুবু মনাওনুপী মেমতোম্বীদদি মৈ-ঈশিং চঙদে। ঙাইহাক লৈতে লাইগী মতাঙদা মমাগা লাউনরিবা।

মতমদো য়ূমদা মচে লৈতবা মতাংনি। লাইদা কৎনবা লৈ খর হেক্লুচো হায়বগীদমক মমাগা মশিংখা থোকপমখৈ লাউনৈ।

"ঐঙোন্দকা অমত্তা হায়বিরক্কনু তাজনীংদ্রে। কৎনিংঙগা মমা হেক হেকউচো। ঐঙোন্দবু লাইগী ৱা হায়রিদুবু তন্দ্রো। মমাহোয় অদুম নীংজৌ। লৈকাদো মীগীদৈ হেকউনুকো, য়াম শাউবনি। লম হায়রা ধমাদম চাউরি, কৎনীংঙদি লৈদো ফৈদোম অমত্তসু মথাউদনা।"

"হৈ, লৈদো কৎপদা মোইসু মহয় ফংবা য়াওদোইনিনে।"

"হো, ফংজনীংদেয়ে। ফজনবগী, লৈতেংগী থারিবা লৈদুবু পৎ-পৎ থৎলগবু কনানা নুংঙাইদোইনো। হায়বা ঙমদবৈ তৌবনি প্রোক-প্রোক চাকলমদোইনি।"

"নঙনা লোই খঙবীরেনে।"

"মীনা হায়নবদো, তাজবদো।"

হায়সু হায়বনি, ইবেচানা লাৎলিবা লাই মখলসি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। লাই কোটি কুন্থ্রাহুমদোই হায়নবদো শুবু শুদৌরম্লনি। মাখক্তনা নৎত্রি, অশালতাসু য়াওশিল্লক্লিবনি। ময়ামদুবু থুংনবা থাবদা অচৌবা অগরবটি পেকেট অমনা নোংমদা কোন্নবা নত্তে। শেল চিন্নবা মতম ওইরবসু লাইগীনিবু হায়রবদি ফনা য়াম্বা শেনফম ওইদুনসু ইবেচাগী মফমদা লৈতবা তৌদে। মসিৱাইদনি শেল লৈজদবা মীনা মীমাঙ থোক্না লাই নীংবা ঙম্নদ্রিবসু।

লাই লাৎলিবা কাদুদি খূৎশেমগী ফজ-ফজরবা লৈ অমদি মচু মখল-মখলগী ইলেক্ট্রিক্কী লৈতেংনা পুল্লং লংই। মৈ লাক্ত্রবসু কাদুদংগী তোখায়বা সোলর পৱারগী কনেক্সন থল্লি। হেক য়েংবদা মীৎ নাম্থুনবগী মশক্লি। নুংশি নুংশিরবা অগরবটিগী মনম্মা মফমদুবু অমুক্কা হেন্না মগুন লৈহল্লি। নুমিৎ চুপ্পা গেগামদা অশেঙবা ঘীনা থাল্লিবা মৈদগী থোক্লকপা মনম্মা কাদু লাইগী অশেঙবা মফম অমগুল্লি। তশেংনা লাই লৈদা লৈরমগদবা মাল্লি। পূম্নমকসি ঙম্নবা হোৎনবদা নোংমদা পুং অনীগী মথক্তা ইবেচা নাম্থোকপা ঙমদে। লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈননা লাইগী নুমিৎ তাবদা খঙন-চান্নবা কয়া য়াওহল্লগা অচা-অথক্কা লোয়ননা লাইগী থৌরম হেক হেক চাউনা পাঙথোকই।

নুমিত্তো পংথেংসু থেংদ্রি, ইমুংগী থবক-ইনখাং খরা হেন্না লৈখিবনা ইবেচানা মেমতোম্বীদা-

"নচেসে মকোকসু তুমদ্রি, মমাই থবক ময়ামসিগা নংনদৌ মান্দ্রে, ইচাদি মরম মোকপীনি ঙসিদদি লাই ধুপ-থাউমৈসে নঙনা খরা থাদোকউচো।"

"কৈনো অমুক তৌরকঅব্রা। ঐঙোন্দবু লাইগী ৱা কা, হুং মমানদুম হেন্না ঙকখ্রেনে।"

"হাই, অদুম হায়নুনে নঙগী অফবা ওইরোইনে।"

"মমা, লাইননে কনাবুসু ৱাহনবা ঙমদে, নুংঙাইহনবসু ঙমদবনি। মানা মানা তৌজবগী মতুং ইন্না ওইরকপা ঙাক্তনি।"

"কয়াদনোনে, নঙমা তীনখেৎ-লাইখেৎঅদনা হায়বিগে হাই।"

"ঙাইখোনে কৈনোমতা হায়গেনে, মমানা নুংতিগী লাইদা থারিবা ধুপতো থা অমতং তোকঅগা য়েংসিনে। ইমুংংসি কৈসু তৌরকওই, হান্না হান্নগুম অদুম লৈনি। অদুগী শরুক থা অমদা ধুপকী লুপা লিশীং অমগী মথক চৎলিদনা, মদুনা লৈত-লায়রশিংদা থা খুদিংগী হোং-হোংদুনা পীবিবদা মদুনদুম হেন্না মহয় চাউনি। মদুগী মহয়দুদি খুদক্তসু ফংদোইনি।"

"ইস, য়াম খঙঙে ইচাদি লৈপাক শেমদোইনিনে।"

অশালতা মাগী কাদগী থোক্লকই, অদুগা মনাওনুপীদা অমুক মমাদা অমুক মুন্না মুন্না য়েংলগা,

"কৈনো মমাগা ননাওগনা তৌরিসে, হুইগা হৌদোংগা হেক মাল্লদনা। লাইরিক্কা অমত্তা পাবা য়াদ্রে। নঙসুনে তল্লগা তল্লে কোক হায়রা তুমিন লৈ য়াদ্রা, অমুক্তোইবা… মসৈ-ইসিদা…।"

"ৱাবু হায়বা, ধুপ ময়ামসিগী মৈখুনা ঐখোয়গী লংস কাসে অমত্তা ফদৌ মান্দ্রে। অদৈ নুংশিরবা ধুপকী মনমসিনা হার্টকাসে শোন্থরব্রা কৈনো খঙদে।"

"চো-চো, য়াম খঙঙে ওজানি হেই। নঙগী কাদা লাইরিক তৌগেরা কৈনো নঙ তৌদৌবা তৌরুচো। মমাসুনে খিৎ, য়াদ্রে খঙলবা অঙাংসিদা হেক্তো। নোংমদা মানা লাইগী থবক তৌবা য়াওখ্রব্রো? লাইদা শীংনবতনি। কৈকান্দদা ৱা মাঙনবা। নোং নীনিসিদংদি ৱারসু ৱানা ঙম্না ঙম্নবা অদুম মহোৎনরো।"

মেরা থা চঙলক্লে, অঙ্গৈং-অশাসু খরা হোংবা হৌরক্লে। মেমতোম্বী, লোক চেল্লি-চেল্লি তৌরম্বদগী লাইহৌসু য়াওশিল্লকই। হীদাক-লাংথক চাবদগী লাইহৌবুদি খরা হল্লে। অদুবু নীংথিনা চাবা থকপা য়াদবনা মশাদো চৎপদা হায়রং-হায়রং তৌরি। থেৎলিবা কেলেন্দরদা মুন্না য়েংলম্লগা মেমতোম্বী ফূক হৌগৎখি। অদুগা বার্থ রুমদা চঙখি। শম্পুনা মকোক কাদু লংত্রিক লংনা তুমথোক্তুনা ঈরুজরগা থোক্লকই। মাগী মতৌদু উবদা মমানা,

"এ! কৈনোনে ইবেম্মা, নশাদু লাইহৌ খরসু ময়াওরি নকোকক্কা তুমথোকঅদনা। কৈনো নঙ তৌরিসিদি?"

"অদুবু…রো, হয়েং বড় লাই খুরুম্বা চৎলুদোইবা।"

"হা!… এঃ নঙনবো!"